# ইপাগী নুমিৎ : মণিপুরগী মিথোলোজিদা ইপা মশক খঙবা

ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী





*কোরৌ নোংমদোন্না ৱাংবরা,*
*পন্থৌ ইপানা মৱাংই।*

তাইবঙপান্দা লৈরিবা মী, শানচিংবা থৱায় পানবা পূন্নমক্কী মপা অমদি শোয়দনা লৈফম থোকই। পূন্নমক্তগী মীনা অথোইবনি। মরমদি অরেপ্পা মপা কনানো হায়না খঙবা ঙম্বসি মীখক্তনি। ইমুং মনুং তংদু লৈতাবা যূম্বান মওং লৈত্রিঙৈ য়াম্না ঙল্লিঙৈ মতমদা ঐগী ইপা, নঙগী নপা, মাগী মপা হায়বসি তাংদাংনা খঙনরমদে। অদুবু মতম খরগী তুংদদি খঙনরকপগা লোয়ননা মমা খক্তমক নত্তনা মপাগী মফমসু চাউনা কনবা হৌরকই। মতৌ অসুম্না নুপানা মপূ ওইবা খুন্নাইগী মওং অমা লাকখি। মসিনা মরম ওইরগা অপোকপা মপাখক্কী ৱাফমদগী হেন্দোক্তুনা খুন্নাই অমা নৎত্রগা মালেমগী থাক্তা ওইবা থৌদাং লৌরিবা মীশকশিংবুসু 'ইপামক্লি' হায়না নীংজবা অমদি ইকায়খুম্নবগী মওং লৈরকখিবনি। মতৌ অসুম্না লৈবাক লৈবাক্কী, ফুরুপ-ফুরুপকী ওইবা মাগী মাগী মিথ, লেজেন্দনচিংবনা তেংবানবা মপূবু তাইবঙপানবদা লৈরিবা থৱায় পানবা পূন্নমক্কী মপানি হায়না শৈথারি।

মালেমসিদা লৈরিবা মীওইবনা নীংশিংবা থোক্ত্রবা মতমদগী হৌনা মপা অমনা লৌরিবা থৌদাং অসিবু মমুৎ তানা খঙবগা লোয়ননা যূম্বুরেন অমগী চপ চাবা ইকায়খুম্নবা অদু উৎপগা লোয়ননা কিনা লুনা নীংনদুনা লাকখিবনি। অদুবু অওনবা মতমগী খোঙলৈগা লোয়ননা মপা অমা ওইবগী মতিক ময়াই তপ্না তপ্না হন্থরকপগা লোয়ননা মচা ওইবশিংনা মখোয়বু মীরায়বীবগী চাং অসি নোংমা নোংমগী হেনগৎলকপগুম তৌরি। অসিগুম্লবা তানফম অসিদা 'ইপাগী নুমিৎ' হায়না মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোক্লরক্লিবা অসি তশেংনমক তঙাইফদ্রবা থৌরম অমনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। যু এস এদা চহী খুদিংগী চয়োল অমগী অহুমশুবা নোংমাইজিংদা থৌরম অসি পাঙথোক্লবসু লৈবাক খরদদি অকক্লবা মতম থমদনা পাঙথোক্লিংবা মতমদা পাঙথোক্লবসু য়াওরি। 'ইপাগী নুমিৎ' হায়বা থৌরম অসি যু এস এদা ইহান হান্না পাঙথোকপা হৌখিবনি হায়বগী ৱাফম থেংনৈ। হেনরি জেক্সন স্মার্ট কৌবা নুপা অমনা মহাক্কী নুপী লৈখিদ্রবা মতুংদা মচানুপী সোনোরা স্মার্ট দোদপু চেকশিন্না নুংশিনা য়োক্লকখি। মহাক্কীদমক মপানা কখোকপগা লোয়ননা লৌরিবা থৌদাং অদুবু ইকায়খুম্নবা উৎতুনা কুমজা ১৯১০গী জুন ১৯দা অহানবা ওইনা 'ইপাগী নুমিৎ' হায়না ৱাশিংটনগী স্পোকেন্দা পাঙথোকপা হৌখি। মদুগী মতুংদা মীয়াম্না থৌরম অসি পাকশন্না পাঙথোক্লরকখি। মদুদগী কুমজা ১৯২৪দা প্রসিদেন্ট কেলবিন কুলিদজনা চয়োল অমগী অহুমশুবা নোংমাইজিংবু 'ইপাগী নুমিৎ' হায়না লাউথোকপগা লোয়ননা চহী খুদিংগী লেপ্তুনা পাঙথোক্লরকখি।

থৌরম অসি ইন্দিয়া অমদি মণিপুরদা য়াম্না মরুওইবা অমনি হায়না লৌনদবনা মীয়াম্না পাকশন্না পাঙথোক্লদ্রি। অদুবু কুমসি চহী ২০১৮ অসিগী ওইনা জুন ১৭, নোংমাইজিং নুমিৎতা পাঙথোক্লখ্রে। 'ইপাগী নুমিৎ' হায়বা থৌরম অসিগী নুংগী ওইবা ৱাখল্লোন অমসুং পান্দম অদু মমুৎ তানা খঙমিন্নরবদি থৌরম অসি য়াম্না কান্নবা অমা ওইগনি। ইন্দিয়াগী ওইনা য়েংবদা লাই হাক্তক্তগী হৌনা মপা ওইবশিংবু অৱাংবা থাক্তা থাঙ্গৎলম্মী হায়বগী খুদম চাংদম য়াওবা ৱারী লাইরিক কয়া ইদুনা থন্বীরম্মী। খুদম ওইনা হায়রবদা রাম্না মপা দশরথনা লোন্নবী মমা কৈকেয়ীদা শক্তোকখিবা ৱাশক ঙাক্লবগীদমক লোয়নবী সীতা অমসুং মনাউনুপা লক্ষমনগা লোয়ননা অযোধ্যা থাদোক্লগা চহী তরামরি বন্দা চৎখিবগী ৱারী ময়েক লানা রামায়ণদা য়াওরি। মপা নীংজবগী ফিদম্নফম ওইবা ৱারী মতাংনি। মহাভারতকী ৱারীদা হস্তিনাপুরগী নিংথৌ দেবদত্তগী মপা শান্তনুনা সত্যবতী কৌবী নুপী অমগা নুংশিনরম্মী। অদুবু মহাক অমদি গঙ্গানা পোকচবা মচা দেবদত্ত অমদি অতোপ্পা মচা মশুশিংগী মহুত্তা সত্যবতীগী মচানা নিংথৌ ফম্বান্দা মাগী মহুৎ শিলহৌগদবনি হায়না ৱাশক্লবা নুপী অদুগী মপা দশরাজনা তকশিল্লম্মী। মপাগী অৱাবা ফুম্বংনবগী মরম খঙলকপদগী দেবদত্তনা দশরাজগী মফমদা ৱাশক্লম্মী মদুদি মহাক্না নিংথৌ ফম ফংননবগী হক অদু থাদোক্লে হায়না। মদুদগী হেন্দোক্তুনা মহাক্কী চাদা নাউদা লৈতনবগীদমক মপুন্সি চূপ্পা যূম্বান পুন্সিদা খোঙদাররোই হায়না ৱাশকখি। নুমিৎ অদুদগী মহাকপু ভীস্ম হায়না খঙনখি।

মণিপুরদা ইপাগী নুমিৎ হায়বা থৌরম অসি পাঙথোক্লদ্রি হায়বা য়াই। অদুবু তাইবংপান অসিদা মমা ওইবীশিংনা লৌরিবা থৌদাং কয়াবু ইকায়খুম্নবা উৎতুনা ইমাগী নুমিৎ হায়না পাঙথোক্লখ্রে। ইপাগী নুমিৎ হায়বা থৌরম অসি পাঙথোক্লদ্রবসু মণিপুরী খুন্নাইদা মপা ওইবশিংবু অৱাংবা থাক্তা থমদুনা ইকায়খুম্নবগী ফিদা পীদুনা লাক্লি হায়বা ৱাফম অসি য়েৎননীংঙাই ওইদ্রবনি। য়াম্না শমজিন্না হায়রবদা নুপানা মপূ ওইবা খুন্নাইগী চৎন-লোনচৎ অদু য়েলহৌঙৈগী মতমদগী হৌনা ঙসি ফাওবা লমদম অসিদা চৎনদুনা লাক্লি। মৈতৈ য়েক্কী চৎন-পথাপ্তা শাগৈগী পিবা নুপানা ওই। ফম অসি শাগৈগী মনুংদা লৈবা নুপানি হায়দুনসু ওইনীংবা অমনা হেক্তা ওইবা য়াদে। মপা মপূ হাক্তক্তগী লৈবাক নিংথৌ খঙনা ওইরকখিবা মীশক অদুগী মচানুপা অহল অমসুং চাদা নাউদা, অহল ওইবশিংখক্তনা ফম অসি পায়বগী হক লৈ। মদুগা লোয়ননা পিবা ওইগদবা মীশক অদু মচানুপা পোকপা মপা ওইগদবনি। মতৌ অসুম্না মণিপুরী খুন্নাইদা মপাগী থৌদাং অসি ইচম চম্বা অমা ওইরমদে। মচা নিংঙোল ওইবীশিংগী লুহোং খোঙদোংবনচিংবা হীরম কয়াদা মপাগী ৱারেপ অসি য়াম্না মরুওইবা অমা ওইনা ঙসি ফাওবা লৌনরি। করি অমুক হায়গনি লপলেন কাদা ফমজাউ থাদুনা মপা ওইবশিংগী তূম্ফম কানি হায়না চেকশিন্না কিনা লুনা থৱ্নে। মাঙ্গোলগী ফম্মেনকাগী ফক্লাং ময়াদা থারিবা ফক অতৈ কনাগীসু নত্তে, মপা ওইবশিংগীনি। অসুম্না শৈথানৈ,

*পন্থৌ খরায় থোঙ্গান*
*পন্থৌ ইঙ্খোন চাইগোন্নুং*
*পন্থৌ মাঙ্গোল খেঞ্জোংলাং*
*পন্থৌ খারি লৌবুক*

অসুম্না যূম-কৈ, লৌ-ইঙ্খোল, লন-থুম পূন্নমক মপা ওইবশিংগী মিংদা অদুমক লৈরম্মী। মতম অমদা ইপাবু ইপল পন্থৌ হায়না মিঙ্গৌনরম্মী। অঙাং ওইরিঙৈ প্রাইমারি স্কুল কারিঙৈদা চীনফা পুখি, "ইমা ইপাদি মীৎনা উবা লাইনি।" কয়াদা ৱাংখ্রবা, ইমা ইপাবু নীংজবগী ৱাখল্লোননো মপা ওইবশিংগী চাকলুক্কা ইমুংদুগী অতোপ্পা মীওইশিংগীগা খেন্নবা খরা লৈ। মহাক্কীনা তোপ তোপ্পা মওংদা শেম শাই। হৌজিক্কী ৱাফম্না তোংঙানবনি, মতম অমদা মপাগা অতোপ্পশিংগা পুখম অমদা চামিন্নবা তৌহৈদবা অমা ওইরম্মী। মপা ওইবনা চাখিবগী অরেম্বা মমা অমদি মচাশিংনা চাব য়াই। অতোপ্পশিংনা চাখিবগী অরেম্বা চাকমাং মপা ওইবা কনাসু চানদে। মসিনা তাকপদি খুন্নাইসিনা মপা ওইবশিংবু অদুক্কী মতিক ইকায়খুম্নে হায়বনি। ইকায়খুম্নবগী মতিক যূম পানবগী অরূম্বা পোৎলুম কয়াসু মখোয়না পুদুনা লাক্লি।

অঙনবা মণিপুরী খুন্নাইদা মপা ওইবশিংবু কয়ামুক কিনা লুনা লৌনরম্বগে হায়বসি মিথ, লেজেন্দনচিংবা কয়াদা মচা খায়না তাক্লি। লৈশেম্লোন, মীশেম্লোন, পাখংবনা ফম্বান কাবা অমদি য়েক তরেৎ হৌরকখিবগা মরী লৈনবা পুয়া কয়াদা তেংবানবা মপূবু পূন্নমক্কী হৌরকফম ওইবা মপানি হায়না শৈথারি। লইথক লইখারোল কৌবা পুয়া লাইরিক্তগী লৌথোকপা লৈশেম্লোন্দা 'ইপা' হায়বসি তেংবান মপূগা চাংদম্নদুনা মতিক মগুণ হাপ্লম্বগী শৈথা মতেক অমা লৌখৎচরি,

*হৌজিক্তি ৱারম অমা হায়গে। অতিংকোক গুরু শিদবনা মালেম লৈবাক শেমগে হায়না হংববু মচা অতিয়াশিংদনা ইপাদি নঙনে হায়না খুময়ে। তোলনা ইবো নঙনা ইপাবু খঙলবদি ইপা অরিবনে অসি খৈবীক পূন্নমকসে নঙগীনে হায়না শিলনরবগা মচা অতিয়া শিদবদা তোলনা ইবো নঙ লৈবাক শেমলু-ও হায়না শিথরকয়ে অশিবা হায়না মমিং কৌয়ে। (চনম হেমচন্দ্র শিন্দোক হন্দোকপা লইথক লইখারোল লমায়, ১৭)*

অমুকসু অতিয়া শিদবনা লৈবাক শেম্বা ঙমদবদগী গুরুগী মফমদা চঙজরবা মতুংদা পূন্নমক্কী হৌরকফম ওইরিবা মপা গুরুনি হায়বগী মতাংবু অসুম্না শৈথারি,

*অতিয়া শিদবনা লৈবাক অসিবু করম্না শেমসি হায়বনো হায়দুনা চমন্নবা লৈরিঙৈদা, মপূ-ক্লিংদা নীংশিংলকয়ে ঐনা তৌবা অসিদি ওইররোই গুরুগী মনাক তান্না চৎলগে নীংদুনা গুরুগী মনাক তানা কাখৎলকয়ে। অতিয়া শিদববু গুরুনা উরদুনা কদৌবা করিগী লাকপনো হায়না হংঙে। খুময়ে হে গুরু, গুরুনা লৈবাক শেম-ও হায়বা অদুবু ঐনদি করি খঙদবনা নুঙপঙলে। গুরুগী মশক উরবসু উদরবসু হাক্লা কিরে। গুরুগী নতীকপু খরা খচীক্তা খঙজনীংয়ে। তাকপী-ও হায়না খুরুমজরিয়ে। ঐগী ইতীকপু খঙনীঙলবদি য়েঙ-ও হায়দুনা কাখোক্তুনা য়েংহনবদা মপূক মনুংদা লৈরিবখিবীকপু অতিয়া শিদবনা পূন্নমক উরবদা হায়খিয়ে। (লামায়, ১৭)*

মসিদসু নত্তনা গুরুগী মমি য়েংদুনা, মদুগী মওং মতৌ মান্না অশিবনা তাইবঙ মীওইবা শেমখিবগী মিথ শেম্লম্বসিনা তাক্লিবদি ঐখোয়গী ইপা ইপুশিংনা মীওইবগী হৌরকফম মরু ইপানি হায়বসি খঙবগা লোয়ননা তাইবঙ মপূগী থাক্তা পুখৎলম্বসিনি।

মপা ওইবশিংনা লৌরিবা থৌদাং অসি অদুক্কী মতিক মরু ওইনা খন্নরম্বগা লোয়ননা লৈঙাক্লোন অমদি খুন্নাইগী ওইবা অতোপ্পা হীরমশিংগা তৎন-থানবা লৈররোইদবনি হায়বসি তাকপা মিথ খরসু লৈ। হায়রিবশিং অসিগী মতুং ইন্না মতিক চাবা ৱাখল লৌশিং চঙখোনবা ফিদম্নফম ওইবা মীশক অমা হায়বসু মপা ওইবশিংবু মশক খঙবা, ইকায়খুম্নবশিং অদুনা ওইরম্মী। অতোপ্পা মিথ অমদা অপানবা (পাখঙবনা) মপাগী মতিক ময়াই খঙবা ঙম্বগীদমক ময়াম্বা অনী অতিয়া শিদবা অমসুং অশিবা লৈনা লৈনা ফম্বাল ফংখিবনি হায়বা ৱারী ৱাখোঙ য়াওরি। গুরুনা অতিয়া শিদবা, অশিবা অমসুং কোচিল তুথোকপা (অপানবা) কৌবা মচা অহুমদা নোংথৌ মখোঙ কোয়নবা পাখোন শীবগা লোয়ননা হান্না থুংলবদুদা ফম্বাল পীগনি হায়রম্মী। ময়াম্বা অনীনা নোংথৌ মখোঙ কোয়বা চৎখ্রবসু মনাউ অতোম্বদুদি লৈহৌরম্মী। গুরুনা মরম হংবদা নোংথৌ মখোঙ লৈতে গুরুগী ফানখোঙ কোয়জগে হায়দুনা তরেৎলক কোয়রুরবা মতুংদা গুরুগী মফমদা খুরুমজখি। মদুদগী গুরুনা মহাক্কী মতিক ময়াই খঙবা ইপা অরিবনি হায়দুনা পাখং য়োইরেনবা হায়না মিংথোনবগা লোয়ননা লৈবাক্কী মপূ ওইহনখি। অতোপ্পা মিথ অমগী ৱারীদি-গুরুনা কুরুম থেংক্রুম চীংদগী ষণ য়োংমানবী ওইনা তাউথরক্লম্মী। মচানুপা অহল অমসুং য়াইমবগী হিদেন য়ৌরকপা মতমদা মপানি হায়বা খঙদবদগী ঈনথোক্লম্মী। মচা অতোম্বগী হিদেন য়ৌরকপদদি মপানি খঙবদগী চিংখৎপীরবদা মপা খঙবনি হায়দুনা পাখং য়োইরেনবা হায়না মিংথোনখি। মতৌ অসুম্না মচা ওইবশিংনা মপাবু লুনা নীংলিবমখৈ মখোয়গী পুন্সিদা য়াইফবা ওইগনি হায়বসি মিথশিং অসিনা তাক্লি।

হোংলক্লিবা মতমগী খোঙচৎ অসিদা মচাশিংনা মমা-মপা ওইবশিংবু মীরায়বগী চাং অসি নোংমা নোংমগী হেনগৎলকপগা লোয়ননা হায়বা ইন্দবা মচাগী মশীংসু হেনগৎলক্লি। মপা অমসুং মচাগী মরী অসিদি নুংশিবনা থোং ওইগদবনি। শেল অমদি সনা লুপানা মহুৎ শিনবা ওইথোক্তে। মখোয়না শূরিবা, নোম্লিবা, হোৎনরিবা খুদিংমক মচাশিংগীদমকনি। মখোয়গী পাঙ্গল ময়েং তারক্লবা, ৱাখল লৌশিং শোন্থরক্লবা মতমদা নুংশিনা লোয়নবীবা মথৌ তাই। ইমাগী নুমিৎ পাঙথোক্লবগুম ইপাগী নুমিৎ মপূং ফানা পাঙথোক্তুনা মপা ওইবশিংবু ইকায়খুম্নবা উৎফম থোকই। অদুগা লোয়ননা নুপা পূন্নমক মপা অমা ওইবগী মতিক ময়াই চপ চানা লৈবগা লোয়ননা অফবা মচা ঙাক্তা পুথোরক্লসনু। ইপা কনানো হায়বদু ঐখোয় পূন্নমক খঙমিন্নরসি।

---

মোইরাংথেম দিনকান্ত

## মালেমগী ঈ পীবগী নুমিৎ

**চহী** খুদিংগী জুন ১৪বু মালেমগী ওইনা ঈ পীবগী নুমিৎ হায়না ৱর্ল্ড হেলথ ওর্গেনাইজেসন্না পালন তৌদুনা লাক্লি। ব্লদ ট্রান্সফ্যুজন সর্ভিসশিংগী তঙাইফদবা লৈনরকপনা ইন্দিয়াগী ওইনসু ইন্দিয়ন নেসনল ব্লদ পোলিসি ২০০২ অসি চৎনহনবা হৌরকখ্রে। মণিপুরদসু লাইসেন্স ফংলবা ব্লদ বেঙ্ক অহুম লৈরে। মফমশিং অদুদি রিমস, জেনিমস অমসুং দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল চুড়াচান্দপুরনি। অদুগা লন্নাইগী ওইনসু শিজ হোস্পিটালনচিংবদা লৈরি। হায়রিবা ব্লদ বেঙ্কশিং অসিদা কনাগুম্বা মীওইশিংনা মশাগী চহী ১৮দগী ৬৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবশিংনা হকচাংগী অরূম্বা কিলো ৪৫দগী তাদবা অমসুং অনা-অয়েক লৈতবা মীওইশিংনা ঈ দান তৌবা য়াই। ঈ দান তৌবা হায়রগা মীওই খরদদি পংকিদা কিবা ওইনা থোক্তুনা ভলুন্টরি ব্লদ দোনেসন তৌবগী চাং য়াম্না হন্থদুনা মণিপুরদা মথৌ তাবা ঈগী অৱাৎপশিং মেনখৎপা ঙমদনা লৈরি। ঈ দান তৌবনা ঐখোয়দা অমাঙবা করিমত্তা লৈতে হায়নসু মরী লৈনবশিংনা তাকপীরি।

ৱর্ল্ড হেলথ ওর্গেনাইজেসনগী দেটা মতুং ইন্না মণিপুরদা চহীগী ওইনা মথৌ তাবা ঈগী চাং অসি য়ুনিট লিশীং ২৭ রোমনি হায়না ফোঙদোক্লি। মণিপুরগী মীশিং অসি চাউরাক্লা লাক্ষ ২৭ রোম লৈবদা কুমজা ২০১১-১২দা ষ্টেট অসিগী অপূনবা কলেক্সনদি য়ুনিট ২০,৮১২ খক ওইখি হায়নসু পল্লি। লৈবাক অসিগী ষ্টেট খরদদি ভলুন্টরি ব্লদ দোনেসন তৌবগী চাং অসি চাদা ৯০গী মথক্তা লৈখ্রে। ইন্দিয়াগী অপূনবা নেসনল লেভেলদা কুমজা ২০১০-১১দা চাদা ৭৯ য়ৌবা ঙমখি হায়রি। ইন্দিয়াগী মনুংদা খ্বাইদগী ভলুন্টরি ব্লদ দোনেসন তৌবা ষ্টেট অসি নোর্থ ইষ্টকী মনুং চল্লিবা ত্রিপুরানা চাদা ৯৭ দান তৌদুনা মকোক্তা লৈরি। মসি মণিপুরগা চাংদম্নবদদি য়াম্না খেন্নৈ। অসিগুম্বা খেন্নবশিং অসি লৈতনবা মণিপুরগী লন্নাই লূপশিংনসু হোস্পিটালগী ব্লদ বেঙ্কশিংগা খূৎশম্নদুনা ভলুন্টরি ব্লদ দোনেসন কেম্পশিং শীন্দুনা হোৎনরক্লি। মসিদা মীয়াম্নসু মতেং পাংশিনবা চঙই। ঈ দান তৌদুনা অনাবগী পুন্সি কনবদা মতেং পীবা ঙমদবা হায়বসি ঐখোয়গী ৱাখল চাওখৎপগী খুদম নত্তে। ৱাখল চাওখৎপা অমসুং চাওখৎপা ৱাৎপনা মণিপুরদা ঈ দান তৌবসি চাং ৱাৎলিবনি হায়নীংই।

চাং নাইনা ঈ দান তৌবগী কান্নবসু লৈ। ঈ দান তৌরবদি মীওই অদু মশাগী ঈদা TTI (HIV, Hep. B, Hep. C, Malaria and Syphillis) হায়রিবা লায়নাশিং অসিবু ঙাকথোকপদা খুদোংচাবা ফংই। ঈ দান তৌরমদাইদা ব্লদ দোনর খুদিংমক ব্লদ প্রেসর, বোদি ৱেথ, হেমোগ্লোবিন্নচিংবগী মেদিকেল চেক-অপ লেম্না পীরি। ব্লদ গ্রুপ খঙনবগীমক তোঙান্না টেষ্ট তৌরুদ্রবসু য়ারে। হকচাংদা কেন্সর অমসুং হার্ট দিজিজনচিংবা লায়নাশিংদগী ঙাকথোকপদসু মতেং পাংই। হকচাংগী অহেনবা কেলোরি মাঙহনবা অমসুং কোলেষ্টেরোলগী চাং হন্থহনবা ঙম্মী। চাং নায়না ভলুন্টরি ব্লদ দোনেদ তৌবগীদমক মশাগী নৎত্রগা ইমুং-মনুংগী মীওইশিংদা ঈ মথৌ তারকপা মতমদা ঈ য়ুনিট অমা লেম্না পীবগী খুদোংচাবা ফংই। ঈ দান তৌবা মতমদা চিংথোকখ্রিবা ঈ মিলিলিটর ৩৫০ অসি মেনখৎনবগীদমক অনৌবা ব্লদ সেলশিং পুথোকই অমসুং হান্নগী সিষ্টেম রিফ্রেস তৌদুনা নৌথোকহল্লি হায়বনচিংবা কান্নবশিং ফংহল্লি হায়না হেলথ এক্সপার্টশিংনা হায়রি।

মালেমগী অতৈ মফমশিংদা পাঙথোক্লবগুম মণিপুরদসু মালেমগী ঈ পীবশিংগী নুমিৎ পালন অসি নেসনল হেলথ মিসন মণিপুর অমসুং হেলথ দিপার্টমেন্টনা খূৎশম্নদুনা পাঙথোক্তুনা লাক্লি। মমাঙ চহী ২০১৭তা মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম দিভলপমেন্ট সোসাইটিগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখিবা অদুদা চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীখিবা হেলথ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যের মিনিষ্টর লাংপোকলাকপম জয়ন্তকুমারনা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল খুদিংমক্তা ব্লদ বেঙ্কশিং হাংবা মথৌ তাই হায়খি। অদুবু হৌজিক চহী ফারক্লবা ফাওবসিদা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালশিংদা ব্লদ বেঙ্ক থম্বগী থবক পায়খৎপা উদে। মণিপুরদা বি জে পি অমসুং চুংশিন্নবা লৈঙাক্কী নুমিৎ ১০০গী প্রোগ্রামদা ব্লদ ষ্টোরেজ য়ুনিট হাংদোক্লবা হোৎনরি হায়বা ৱাফমশিংসু ফোঙদোকপীখিবনি। হায়রিবা ৱাফমশিং অসি থবক্তা ওন্থোকপীনবা হেলথ মিনিষ্টরগী পূক্লিং অমুক চঙবীয়ু হায়জরি।




হৌখিবা কুমজা ২০১৭কী জুলাই ১৭তগী হৌদুনা থা অহুম/অহুমগী মতুং হৌজিক ফাওবদা অহুল্লক রিমস (রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস) কী ব্লদ বেঙ্কতা ইজরিবা ঐহাকসু ঈ দান তৌজখ্রে। সেনিয়র ডা. এল তোমচা খুমন্না 'ব্লদ দোনেসন অমসুং ভলুন্টরি ব্লদ দোনেসন য়োকখৎপগী তঙাইফদবশিং' হায়বা আর্টিকল ইবিদুনা ঐখোয়বু পাবা ফংহনবা অসিসু থাগৎনীংঙাইনি। মণিপুরনা ঈ পীবগী চাং য়াম্না নেম্না লৈরম্বা অমসুং ঈ পীবনা হার্ট দিজিজ অমসুং কেন্সর লায়নাদগী ঙাকথোকপদসু মতেং ওই হায়বা ৱাখল্লোন্দগী ঐহাকসু ঈ পীবা হৌরকখিবনি। ঈ দান তৌবনা ঐহাক্কী পূক্লিং ৱাখল খরা খরা পাকথোক চাউথোরকপগুমসু তৌরক্লি। মখা তানা ঐহাক্কী হকশেলগী ফীভম ফগৎলকপা/ফগৎলক্তবা হায়বসি য়েংলগা ঈ দান তৌখিগে খঞ্জরি।

---

থৌনাওজম মনোরঞ্জন

## থোং নম্বোনবী

**মণিপুরদা** থোং নম্বোনবীনা লীশাংশিৎনা নম্বুল তুরেলগী ঈচেল থিংদুনা লাক্লি। মমাঙঙৈদা থোং নম্বোনবীগী মখাদা মখুল মঙা লৈরম্মী। ঙসি ফাওবদা মীয়ামদা কান্নবা পীদ্রিবা কুম পুরবা সিৱেজ প্রোজেক্টকী ট্রিটমেন্ট প্লান্টকীদমক্তা কোনক্রিক কন্সত্রক্সন অমা নম্বুল তুরেলগী খোংনুংদা থোং নম্বোনবী মনাক্তা শানবা তৌথোরকপা লৈবাক্লা থোং নম্বোনবীগী মখাদা লৈবা ইহান হানবা মখুল অদু ফুনজিনবীখ্রে। অনীশুবা মখুল অদুনা তুরেলগী খোংনুংদা শাগৎলিবা কোনক্রিক কন্সত্রক্সন অদুনা খনজিনবীখ্রে। লেমহৌরিবা মখুল অহুম অদুসু মতমগী মতুং ইন্না তুরেলগী খোংনুং থেনগৎলকপনা মরম ওইদুনা পীশক পীকশিনখ্রে। তুরেল অসিগী মতাংদা লৈঙাক্তদা চৈনিদা খঙবা ৱাখল তাদবা মণিপুরগী মীয়াম্না ফত্ত-হেদি, শম্না হায়রবদা প্লাষ্টিক্কী বোট্টল অহাংবা, মপান্দগী ঙা হাপ্লগা পুশিল্লকপা অহাংবা বোক্স ময়াম অমা তুরেল অসিদা লংথনরি। হায়রিবা ফত্ত-হৌদিশিং অসি থোং নম্বোনবীগী অৱাং থংবা শরুক্তা ঈশিং মথক্তা হৌরিবা ঈশিংগী পান্থীশিং অসিদা পন্দুনা লৈ। মসিনা মরম ওইদুনা লেমহৌরিবা থোং নম্বোনবীগী মখাদা লৈরিবা মখুল অহুম অসিদা ঈশিং অপনবা লৈতনা চেন্থখিবা ঙমদে। শম্না হায়রবদা থোং নম্বোনবী অসি ঙসিদি নম্বুল তুরেলগী ঈচেল অসিবু থৎনবা শাবা দামগা পাঞ্জ্বক ওইরে।


ঙসি ঙসিমক নম্বুল তুরেলগী ঈচেল থিংদুনা খূৎশেমগী ঈশিং ঈচাউ থোকহন্দুনা উরিপোক অমসুং মসিগী অকোয়বদা লৈরিবা মীয়াম্বু ৱাহল্লিবা থোং নম্বোনবী।


নাপী হৌজিল্লবা মীয়াম্না মপান থোকফম অমসুং খোঙহাম্ফম ওন্থোক্লবা থোং নম্বোনবী।

থোং নম্বোনবীনা নম্বুল তুরেলগী ঈচেল থিংদুনা লাক্লি হায়বসি মীয়াম্না খঙনরবা ৱাফমনি। থোং নম্বোনবী অসি হেক লৌথোক্ত্রিবমখৈ নোং খজিক্তং হেক চুবগা থোং অসিনা মরম ওইদুনা ঈশিং মৌখৎতুনা, খূৎশেমগী ঈশিং ঈচাউ থোকহন্দুনা উরিপোক অমসুং অকোয়বদা লৈরিবা মীয়ামদা অৱাবা পীদুনা লাক্লি অমসুং মতুংদসু অৱাবা অদুম পীরকখিগনি হায়বা ৱাফম অসি থমজরি। ঙসিদি থোং নম্বোনবীগী য়েৎলোম মায়রোমদা থোং অহুম লৈরে। থোং নম্বোনবী অসি ঙসিদি মীয়াম্না নম্বুল তুরেল লান্থোকপদা শীজিন্নদ্রে। থোং নম্বোনবীগী মথক্তা নাপী হৌজিল্লে। মীয়াম্না থোং অসি মপান থোকফম অমসুং খোঙহাম্ফম ওন্থোক্লে। অতোপ্পা ৱাফম অমনা থোং নম্বোনবী অসি মশক মতৌ য়াম্না ফজবা, মগুণ লৈবা অমসুং হৌজিক্কী মতমগী এঞ্জিনিয়রশিংনা খঙদবা মতম অদুগী এঞ্জিনিয়রশিংনা থোং অসি শাবদা অঙকপা পোথি-পোরম ময়াম অমা শীজিন্নরম্মী হায়দুনা থোং অসিবু ঙাক শেন্দুনা চারোল-শুরোল ফাওবা থমগদবনি হায়বগী ৱাফমসু লৈতে। মতাং অসিদা মীয়াম্না হংনরক্লিবা ৱাহংদি - হৌজিক্কী মতমদা থোং নম্বোনবীগী কান্নবসি করিনো? মরম অদুনা হীরম অসিদা মরী লৈনবশিংনা কূপ্পা য়েংশিলহন্নীংই।

### মরোল থোকপা লাই

